# হোম মিনিষ্টর অমিত সাহনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী মতাংদা নেসনল সিক্যুরিটি এদভাইজর, ইন্টলিজেন্স ব্যুরোগী চীফ উনখ্রে





ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৯ (এজেন্সী):
তাঙ্কক নাইনা অথিংবশিং তপ্না তপ্না লৌথোরক্লিবা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী মতাংদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত সাহনা ঙসি নেসনল সিক্যুরিটি এদভাইজর অজিৎ দোবাল অমদি ইন্টলিজেন্স ব্যুরোগী চীফ উনদুনা ৱারী শান্নখ্রে।

জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা নুমিৎ ১২নি লৈদুনা ফিভম য়েংশিল্লুরবা মতুংদা অজিৎ দোবালনা ন্যু দিল্লিদা হল্লকপদা ঙাইরিবনি। চয়োল অনীগী মমাঙদা লৈঙাক্লা আর্টিকল ৩৭০ লৌথোক্ত্রিঙৈদা মশিং য়াম্লবা সিক্যুরিটি পার্সনেলশিং জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা থমজিন্দুনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখি।

স্পেসল ষ্টেটস লৌথোক্লগা জম্মু এন্দ কাশ্মিরবু য়ুনিয়ন টেরিটোরিগী থাক্তা শরুক অনী থোক্লা খাইদোকপগী থৌওং অদুনা মরম ওইরগা মীয়ামগী ইহৌদা মীশি মীনা য়াওরকপা য়াই হায়না চিংনবদগী মাংজৌননা সিক্যুরিটি পার্সনেলশিং থমজিনখিবনি হায়রি।

স্রিনগরদা ঙসি স্কুল অমদি লৈঙাক্কী লোইশঙ খরা থোং হাংনখ্রবসু মী কান্নরকপগী চাং নেমখি। কাশ্মির তম্পাক্তা লেন্দ লাইন টেলিফোন সার্ভিস শরুক অহুম থোকপগী অনী মথৌ তৌহনখিবগা লোয়নন‍া নোংমা নীনিগী মনুংদা সিক্যুরিটিগী ফিভম য়েংলগা মোবাইল ইন্টর্নেট সার্ভিসসু হান্নগুম থৌ তৌহল্লগনি। ফিভম খরখক ফগৎলকপা তারবসু হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ওমর অব্দুলা অমদি মেহবুবা মুফতি য়াওনা পোলিটিকেল লিদর চা কয়ামরুম হৌজিকসু ফাজিন্দুনা থল্লি। মফম পুন্নমক্তা মী পুনবা য়াদবগী অথিংবসু মখা তানা অদুমক থল্লি।

জম্মু এন্দ কাশ্মিরদগী অথিংবা লৌথোক্লবগী মতাংদা তোঙান-তোঙানবা পিটিসন ৬ সুপ্রিম কোর্টতা ফাইল তৌরকপা লৈখ্রবনি।

চৈরকসিদা, য়ুনিয়ন মিনিষ্টর জিতেন্দ্র সিংহনা হায়খ্রে মদুদি, জম্মু এন্দ কাশ্মিরদগী স্পেসল ষ্টেটস লৌথোক্লবা মতুংদা পাকিস্তান ওক্যুপাইদ কাশ্মির (পি ও কে)বু ইন্দিয়াদা পুনশিন্নবা থৌরাং লৌখৎকদবনি।

জম্মুদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা ৱা ঙাংখিবদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা হায়খি, শীংথানিংঙাই ওইবা মওংদা আর্টিকল ৩৭০ লৌথোকখ্রবা মতুংদা মীয়াম্মা পাকিস্তানগী লৈঙাক মখাদা লৈখ্রবা পি ও কেবু অমুকহন্না লৈবাক অসিগী শরুক অমা ওইহন্নবা হোৎনফম থোকই। হান্নাগী চীফ মিনিষ্টর ওমার অব্দুলা অমদি মেহবুবা মুফতিনচিংবা পোলিটিকেল লিদর খরা ফাজিনবগী মায়োক্তা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরকপগী মতাংদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা হায়খি, কনাগুম্বা মীই খরনাকরিসু লৈনবা ৱাফমদা অচৌবা ইশু অমা ওইহন্নবা হোৎনরি। মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক খল্লগা লৈঙাক্লা তঙাইফদনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপনি। কোংগ্রেসকী মমিং মক্তি পনবা তৌদনা মহাক্লা হায়খি, মতম অমদা নেসনল কনফরেন্সকী ফাউন্দর সেখ অব্দুলা ফাজিন্দুনা মীয়াম্বু নীংবা কাইহনবগী থৌরাংকয়া লৌখৎলকখি। মতমদুদা পোলিটিকেল লিদরশিং ফাজিনবগা লোয়ননা মীয়ামদা মখল অমত্তগী নীংতম্বা ফঙহনখিদে। মতমদুদা মীয়াম্মা থেংনখিবা খুদোংচাদবশিং ঙসি ফাওবা কাউনদ্রি।

হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর অটল বিহারি বাজপায়িনা হ্যুমেনিতি অমসুং দিম্মোক্রেসিগী ৱাফম ফোঙদোক্লম্বা লৈখি। হৌজিক্তি বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক্লা জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা ইং তপ্না ফিভম হঞ্জিলহনবগা লোয়ননা দিম্মোক্রেসিগী কাংলোন পুন্নমক চৎনহনবা ঙম্লে হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

জম্মু এন্দ কাশ্মির এদমিনিষ্ট্রেসনন‍া ঙসি স্রিনগরদা স্কুল ১৯০ নৌনা হাংদোকখিবগা লোয়ননা কাশ্মির তম্পাক্তা লৈরিবা লোইশঙ পুম্নমকসু মহৌশাগুম মথৌ তৌহন্নবা থৌরাং লৌখৎখি। প্লানিং এন্দ দিভলপমেন্টকী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি রোহিদ কনসালনা পাউগী মীফম অমদা হায়খি মদু ফিভম ফগৎলকপগী মতুং ইন্না মফম খুদিংমক্তা মথং মনাও নাইনা অথিংবশিং তপ্না তপ্না লৌথোক্লগনি।

নোংমাইজিং নুমিৎতসু পুলিস ষ্টেসন ৫০না কোনবা মফমশিংদা থম্লম্বা অথিংবা লৌথোকখি। অথিংবা লৌথোকখবা মফমশিংদগী হৌজিক ফাওবা পামদবা থৌদোক থোকখিবগী রিপোর্ট ফংবা লৈতিঅ অথুবা মতমদা লৈঙাক্লা লেন্দল্লাইন সার্ভিস মথৌ তৌহন্নবা থৌরাং লৌখৎপা লোইরে হায়নসু মহাক্লা ফোঙদেকখি।

# প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফ্রান্সতা জি ৭কী মীফমদা শরুক য়ারুগদৌরি



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৯ (এজেন্সী):
ওগষ্ট ২২দগী হৌরগা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা নুমিৎ ৫নিগী খোঙচৎতা ফ্রান্স, য়ুনাইটেদ অরব এমিরেটস (য়ু এ ই) অমসুং বাহরেনদা চৎকদৌরি।

অহানবদা প্রাইম মিনিষ্টরনা ফ্রান্সতা থুংলুবগা লোয়ননা চাকলেন য়াওবা থৌরম অমদা ফ্রেঞ্চ প্রসিদেন্ট ইমান্যুল মেক্রোনগা উনদুনা ৱারী শান্নরুগনি। থংনবা নুমিৎতা মহাক্লা ফ্রান্সতা লৈরিবা ইন্দিয়নশিংগা উনরবা মতুংদা চহী কয়াগী মমাঙদা প্লেন কায়বগী থৌদোক অমদা লৈখিদ্রবশিংগী নীংশিং খুভম অমা শানবা উরেপ উয়ুং তমগনি।

নুমিৎ অদুমক্তদা মহাক্লা য়ু এ ইদা থুংলগা থনবা নুমিৎতা অবু ধাবিগী ক্রাউন প্রিন্স সেখ মহমদ বিন জয়দ অল নাহয়ানগা ৱারী শান্নগনি।

নুমিৎ অদুদা য়ু এ ইনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা খ্বাইদগী ৱাংবা ইকায় খুম্নবগী মনা 'ওর্দর ওফ জয়দ' পীদুনা ইকায় খুম্নগদৌরি। য়ু এ ইগী ফাউন্দর সেখ জয়দ বিন সুলটান অল নাহয়ানগী মিংদা পীবা এৱার্দ লৌরবা মতুংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা ক্রাউন প্রিন্সকা উনদুনা লৈবাক অনীগী ওইবা মরী অমসুং মালেমদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভমগী মতাংদা খন্ন-নৈনগদৌরি।

ওগষ্ট ২৪দা প্রাইম মিনিষ্টরনা বাহরেনগীদমক খোঙশানখিগনি। মফম অদুদা বাহরেনগী প্রাইম মিনিষ্টর প্রিন্স সেখ খালিফা বিন সলমান অল খালিফাগা উনদুনা লৈবাক অনীগী মরী ফগৎহন্নবগী মতাংদা ৱারী শান্নগনি হায়রি।

মমাংঙৈদগী হৌনা ইন্দিয়া অমদি বাহরেননা হিরম কয়দা নক্লবা মরী থম্নদুনা লাকখিবনি। লৈবাক অনীগী মীওইশিং তোইনা উনবগী খুদোংচাবা ফংবগা লোয়ননা লল্লোল ইতিক্কী লমদসু খুৎমাং চাওশিনহনবা ঙমখি। কুমজা ২০১৮-১৯গী ওইনা লৈবাক অনীনা দোল্লর বিল্লিয়ন ১.৩ গী লল্লোল ইতিক তৌনখি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা মিদল ইষ্টকী লৈবাকশিংদা লৈরিঙৈদা বাহরেন অমসুং য়ু এ ইদা রু পে কার্দ চৎনহন্নবগী থৌরাং লৌখৎকদৌরি। হিরম অসিগা মরী লৈননা য়ান্নচে অমা খুৎয়েক পীনরগনি হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সর্টনেল এর্ফেসনা ফোঙদোকখ্রে। ওগষ্ট ২৫দা প্রাইম মিনিষ্টরনা ফ্রান্সতা অমুক হল্লক্লগা থংনবা নুমিৎতা জি ৭কী মীফম য়াওগদৌরি।

# পঞ্জাবকী চীফ মিনিষ্টর কেপ্টেন অমরিন্দর সিংহনা লুপা ক্রোর ১০০গী তেঙবাং লাউথোকখ্রে



রুপনগর, ওগষ্ট ১৯ (এজেন্সী):
পঞ্জাবতা ঈচাওগী অৱাবা নংলবা মীওইশিংগীদমক লুপা ক্রোর ১০০ কায়থোক্তুনা মী কনবা অমদি মতেং পাঙবগী থবক পায়খৎলগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর কেপ্টেন অমরিন্দর সিংহনা লাউথোকখ্রে।

ঈচাওগী অৱাবা নংলবা রুপনগরগী ফিভম য়েংশিনবা লাকপদা চীফ মিনিষ্টরনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। হৌখিবা পুং ৭২ নোং কন্না চুখিবা মরম্না ষ্টেট অসিগী মফম অয়াম্বা ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্লরি।

লুধিয়ানা দিষ্ট্রিক্টতা নোং কন্না চুরকপদগী য়ুমথক নীংখাইরকপদা মীওই ৩ শীখিবগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরনা অৱাবা ফোঙদোকখি। চান্দিগরদগী রুপনগর ফাওবা চৎতুনা ঈচাওগী ফিভম য়েংশিনখিবা চীফ মিনিষ্টরনা অৱাবা তারবা মীয়ামদা লৈঙাক্লা অঙম্বা থাক্তা মতেং পাঙগনি হায়না লাউথোকখি।

লৈঙাক্কী মকোক থোংবা ওফিসলশিংগা উনখিবা মতমদা মহাক্লা চান্দিগরদা লৈবা পঞ্জাব ভবন অমদি কিসান ভবনদা অৱাবা তারবা মীয়ামগী লৈফম চাফম শীন্নবা খঙহনখি। চীফ মিনিষ্টরনা স্লম এরিয়াদা লৈরিবা মীওইশিংগসু উনদুনা ময়ুম মকৈ লৈজদ্রবা মীয়ামদা মতেং পাঙনবা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনদা খঙহনখি।

ঈচাওগী অৱাবা নংলবা মফমশিংদা লৌনগনবা লায়না কয়া শন্দোরকপা য়াই হায়না চীংনবদগী মহাক্লা মফম মফম খুদিংমক্তা হেল্থ কেম্প পাঙথোক্লবা দিষ্ট্রিক্টকী ওফিসলশিংদা য়াথং পীখি।

## লুহোংবা য়াবগী চহী মতাং মান্নহন্নবা পি আই এল ফাইল তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৯ (এজেন্সী):
নুপা অমদি নুপীগী ওইনা ময়ুম পানবা য়াবগী চহী মতাং চপ মান্নহন্নবা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) অমা দিল্লি হায় কোর্টতা ফাইল তৌরকখ্রে।

বি জে পিগী লুচিংবা অশ্বিনি কুমার উপধ্যাইনা ফাইল তৌরকখিবা পিটিসনগী মতাংদা চীফ জষ্টিস দি এন পতেল অমসুং জষ্টিস সি হরি সঙ্করগী বেঞ্চনা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টতা মতিক চাবা পাউখুম পীরক্লবা খঙহনখি।

ইন্দিয়াদা হৌজিক নুপাগী ওইনা মশাগী চহী ২১ শুরবা মীওই অমনা লুহোংবা য়ারে অমসুং নুপীগী ওইনা চহী ১৮ শুরবদি ময়ুম পানবা য়ারে হায়না অয়াবা পীরি। নুপা অমসুং নুপীগী মরক্তা খেন্নহল্লিবা অসিগী মায়োক্তা বি জে পিগী লুচিংবা অশ্বিনিনা পি আই এল ফাইল তৌরকখিবনি।

# হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহন সিংহ লম্বা য়াওদনা মায় পাকখ্রে

জয়পুর, ওগষ্ট ১৯ (এজেন্সী):
রাজ্য সভাগী মীখলদা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহন সিংহনা লম্বা অমত্তা য়াওদনা মায় পাকপা ঙমখ্রে।

রাজস্থানদা বি জে পিনা মীরেপ অমত্তা থাগৎপা ঙমখিদবা মরম্না হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহন সিংহনা লম্বা য়াওদনা মায় পাকখিবনি। বি জে পিগী এম পি মদন লাল সাইনি লৈখিদ্রবা মতুংদা তঙাইফদনা রাজস্থানদা রাজ্য সভাগী বাই ইলেক্সন পাঙথোকখিবনি।

ঙসি নুংথিল পুং ৩ তাবা ফাওবদা অতোপ্পা মীরেপ অমত্তনা মীরেপ চে পীশিল্লকখিদবা মরম্না মনমোহন সিংহবু মায় পাক্লে হায়না লাউথোকখি।



মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা রাজস্থান এসেমব্লীগী মীখলদা মায় পাকখিবা কোংগ্রেসকী এম এল এ ১০০ লৈবগী মথক্তা ইন্দিপেন্দেন্ট এম এল এ ১২ অমদি বহুজন সমাজ পার্টিগী এম এল এ ৬নসু কোংগ্রেসতা শৌগৎলকখি।

অপুনবা মেম্বর ২০০ লৈবা এসেমব্লীদা বি জে পিগী এম এল এ ৭৩ লৈরবসু রাজ্য সভাগী মীখলদা মীরেপ অমত্তা থাদোকপা ঙমখিদে। মনমোহন সিংহনা লম্বা অমত্তা য়াওদনা মীখলদা মায় পাক্লকপদা চীফ মিনিষ্টর অসোক গেহলোতনা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, পোলিটিক্সকী লমদা নীংথিনা খঙ-হৈরবা মনমোহন সিংহগুম্বা মীওই অমনা রাজস্থানগী মীহুৎ ওইনা মায় পাক্লকপা চাওথোকচনিংঙাইনি।

# নোং কন্না চুরকপদগী হিমাচল প্রদেশতা মীওই ২৪ শীখ্রে







ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৯ (এজেন্সী):
অৱাং থংবা ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংদা নোং কন্না চুরকপদগী ঈচাও অমসুং লেন্দস্লাইদ থোকপদা মীওই ৩০ শীখ্রবা মতুংদা হিমাচল প্রদেশতসু মীওই ২৪ শীখ্রে।

য়মুনা তুরেলগী ঈমায় ৱাংখৎলকপা মরম্না দিল্লি, হরিয়ানা অমদি উট্টর প্রদেশতা ঈচাও থোক্লকপা য়াই হায়না চেকশিন ৱারোল পীখ্রে। পঞ্জাবকী দিষ্ট্রিক্ট ৮দা সুটলেজ তুরেলগী ঈমায় পাথোরকপা মরম্না আর্মি অমসুং নেসনল দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্সকী মীওইশিং থাজিন্নবা থৌরাং লৌখৎলে।

দিল্লিগী চীফ মিনিষ্টর অরবিন্দ কেজ্রিৱালনা অকুৎপা মফমদা লৈরিবা মীওইশিংবু লৈঙাক্লা মতম খরগী ওইনা শেমগৎপা রিলিফ সেন্টরদা হোংজিন্নবা খঙহনখি। হৌজিক ফাওবদা দিল্লিগী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা রিলিফ সেন্টর ২,১২০ হাংদোক্লে।

পঞ্জাবতসু দিষ্ট্রিক্ট ৮- রোপাল, নৱান সহর, জলন্দর, কপুরথালা, লুধিয়ানা, টার্ন টরন, মোগা অমসুং ফিরোজপুরগী খুঙ্গং ২৫০দা ঈচাও ওইরকপা য়াবগী ফিভমদা লৈরে। মাংজৌননা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা খুঙ্গং ২০৯গী খুঞ্জাশিং ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা শাফগদবা মফমদা লৈনখ্রে।

উট্টরখন্দগী উট্টরকাসি দিষ্ট্রিক্টতা খঙহৌদনা ঈচাও থোরকপদা য়ুম কয়া অমাং অতা থোকহনখিবগা লোয়ননা মীওই ১৮ থিবা খঙখিদ্রে। দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মোরি ব্লোক্তা ব্রাজা তারকপদা মীওই ১৭ শীখি। লৈঙাক্লা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা স্কুল অমদি কোলেজ পুন্নমক ছুটি থাদোকখ্রে।

হরিয়ানাগী ওইনসু য়মুনা তুরেলগী ঈমায় ৱাংখৎলকপা মরম্না কর্নাল দিষ্ট্রিক্টতা ঈচাও থোরকপা য়ানা লৈরি। ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট ৫দা ঈচাও থোক্লকপা য়াবা মরম্না দেপ্যুতি কম্মিস্নারশিং মীৎকুপ হাহুম শীনা লৈনবা খঙহনখি।

উট্টর প্রদেশকী ওইনসু গঙ্গা, য়মুনা অমদি ঘগ্রা তুরেল য়াওনা তুরেল অয়াম্বা খুদোংথিনিংঙাই ওইবা থাক য়ৌনা ঈমায় ৱাংখৎলকপদগী মনাক নক্লা খুন্দারিবা মীওইশিং শাফগদবা মফমদা হোংদোক্লবা খঙহনখি।

রাজস্থানদসু নোং কন্না চুরকপনা মরম ওইরগা তুরেল অয়াম্বা ঈমায় পাথোরকপা য়াবগী ফিভমদা লৈরে হায়রি।

# RESULTS FOR 2ND MATHEMATICAL (WIZARD) COMPETITION 2019

**CLASS I**

| Position | Name | School Name | Marks |
|---|---|---|---|
| 1st | Ariz Rahman | Tiny Tot's Unique School | 95 |
| 2nd | Laishram Malemnganba Meitei | The Base Academy, Khangabok | 94 |
| 3rd | Pushpanjali Waikhom | Tiny Tot's Unique School | 93 |
| 4th | Ningthoujam Shyam Singh | The Base Academy, Khangabok | 92 |
| 5th | Daniel Ngashepam | St. Joseph's Hr. Sec. School | 87 |
| 5th | Loiyumba Leimapokpam | Sainik Foundation School | 87 |
| 6th | Yonix Chongtham | Heritage Convent | 86 |
| 6th | Ngangbam Shilheibi | Tiny Tot's Unique School | 86 |
| 6th | Laishram Hirananda Singh | New Public Hr. Sec. School | 86 |
| 7th | Laishram Kamal Singh | The Base Academy, Khangabok | 85 |
| 7th | Naorem Hirachandra | The Base Academy, Khangabok | 85 |
| 8th | Kshetrimayum Kethori Devi | Nirmalabas High School | 84 |
| 8th | Laishram Simran Devi | The Base Academy Khangabok | 84 |
| 8th | Moirangthem Alex Chanu | K.S. Learning Temple, Khangabok | 84 |
| 9th | Laishram Joel Singh | The K.M. Blooming Hr. Sec. Schoo. | 83 |
| 9th | Laishram Mangal Singh | New Public Hr. Sec. School | 83 |
| 10th | Ishworlal Khundongbam | The C.G.C.C. School | 82 |

**CLASS II**

| Position | Name | School Name | Marks |
|---|---|---|---|
| 1st | Catherine Sapam | Little Flower School | 100 |
| 2nd | Lanchenbi Chongtham | Tiny Tot's Unique School | 99 |
| 3rd | Laishram Kordinkorou Singh | K.M. Blooming Hr. Sec. School | 98 |
| 4th | Leishemba Moirangthem | The Base Academy, Khangabok | 97 |
| 5th | Thokchom Artina Devi | The Base Academy, Khangabok | 96 |
| 5th | Singam Jenika Devi | Little Flower School | 96 |
| 6th | Yaiphaba Moirangthem | The Base Academy, Khangabok | 95 |
| 7th | Herison Rajkumar | St. Joseph's Hr. Sec. School | 94 |
| 7th | David Tongbram | St. Joseph's Hr. Sec. School | 94 |
| 8th | Jayashree Yengkhom | Evergreen Flower's School Thoubal | 93 |
| 9th | Ningthoujam Pibarel Singh | The Base Academy, Khangabok | 92 |
| 10th | Ningthoujam Tomthin Singh | The Base Academy, Khangabok | 91 |
| 10th | Naorem Bronson Singh | Padma Ratna English School, Kakching | 91 |

**CLASS III**

| Position | Name | School Name | Marks |
|---|---|---|---|
| 1st | Devraj Sairem | Heritage Convent | 93 |
| 2nd | Laishram Leo | Heritage Convent | 88 |
| 3rd | Saikhom Nicolas Meitei | The K.M. Blooming Hr. Sec. School | 85 |
| 4th | Moirangthem Dineshwor Singh | K.S. Learning Temple, Khangabok | 83 |
| 5th | Bidyasagar Laishram | K.M. Blooming Hr. Sec. School | 79 |
| 5th | Julicha Moirangthem | K.M. Blooming Hr. Sec. School | 79 |
| 6th | Khundongbam Landenna Devi | The Eastern Star Hr. Sec. School | 78 |
| 7th | Khangjrakpam Nayana Devi | Little Flower School | 76 |
| 8th | Laishram Pari Meitei | The Base Academy, Khangabok | 75 |
| 9th | Ningthoujam Lanchenba | The Base Academy, Khangabok | 74 |
| 10th | Khundrakpam Punshiba Singh | The Base Academy, Khangabok | 71 |
| 10th | Nganba Akoijam | St. Joseph's Hr. Sec. School | 71 |

**CLASS IV**

| Position | Name | School Name | Marks |
|---|---|---|---|
| 1st | Maibam Abinash Singh | The Base Academy, Khangabok | 97 |
| 2nd | Haridash Thokchom | New Public Hr. Sec. School | 94 |
| 3rd | Khundrakpam Dhanashree Devi | The K.M. Blooming Hr. Sec. School | 93 |
| 4th | Aaron Soibam | Tiny Tot's Unique School | 92 |
| 5th | Laishram Bishraj Singh | The Base Academy Khangabok | 90 |
| 6th | Thokchom Jenita Devi | The K.M. Blooming Hr. Sec. School | 89 |
| 7th | Laishram Valina Devi | New Public Hr. Sec. School | 88 |
| 7th | Anjali Thokchom | K.V. Lamphel | 88 |
| 8th | Tourangbam Tinalee Devi | K.M. Blooming Hr. Sec. School | 87 |
| 8th | Khuraijam Henthoiba Singh | Waikhom Leikai Upper Primary School | 87 |
| 9th | Pukhrambam Nandita | Little Flower School | 86 |
| 10th | Thounaojam Bafana Devi | Heritage Convent | 85 |

**CLASS V**

| Position | Name | School Name | Marks |
|---|---|---|---|
| 1st | Khulakpam Momin Ud-din Shah | Kokil Boarding School | 98 |
| 2nd | Thokchom Paikhomba | Waikhom Leikai Upper Primary School | 97 |
| 3rd | Wangkheimayum Diligence Mangang | Kokil Boarding School | 96 |
| 4th | Mainam Ramananda Singh | Kokil Boarding School | 93 |
| 5th | Syed Akbar Shah | Waikhom Leikai Upper Primary School | 91 |
| 6th | Jenius Thokchom | Ramakrishna Mission School, Uripok | 89 |
| 6th | Kshetrimayum Eshan Singh | Kokil Boarding School | 89 |
| 7th | Denison Moirangthem | K.M. Blooming Hr. Sec. School | 88 |
| 8th | Takhellambam Thoihenba Meetei | Waikhom Leikai Upper Primary School | 86 |
| 9th | Lanheiba Loitongbam | Divine Educational Institute | 85 |
| 9th | Gaicharung Kamei | Kokil Boarding School | 85 |
| 10th | Khulakpam Mushahid | Kokil Boarding School | 84 |

**CLASS VI**

| Position | Name | School Name | Marks |
|---|---|---|---|
| 1st | Nepoliyan Thokchom | K.M. Blooming Hr. Sec. School | 88 |
| 2nd | Khundrakpam Roshan Singh | K.M. Blooming Hr. Sec. School | 84 |
| 3rd | Jugeshchandra Laishram | The K.M. Blooming Hr. Sec. School | 83 |
| 4th | Anchana Ningthoujam | The K.M. Blooming Hr. Sec. School | 82 |
| 5th | Rainson Laishram | The K.M. Blooming Hr. Sec. School | 80 |
| 6th | Dhanaraj Asem | Kokil Boarding School | 79 |
| 7th | Varun Shoibam | Sainik School Imphal | 77 |
| 8th | Lenin Khundrakpam | The K.M. Blooming Hr. Sec. School | 75 |
| 9th | Sudhirkanta Ningthoujam | The Eastern Star Hr. Sec. School | 72 |
| 10th | MKM Sahid Afirdy | Standard Robarth Hr. Sec. School | 70 |

**CLASS VII**

| Position | Name | School Name | Marks |
|---|---|---|---|
| 1st | Moirangthem Albert Singh | K.M. Blooming Hr. Sec. School | 96 |
| 2nd | Moirangthem Robinson Singh | J.N.V. (Imphal East) | 93 |
| 3rd | Danbert Loktongbam | St. Joseph's Hr. Sec. School | 89 |
| 4th | Thokchom Sandhya Devi | New Public Hr. Sec. School | 85 |
| 5th | Saikhom Amarjit Meitei | The K.M. Blooming Hr. Sec. School | 83 |
| 6th | Aakash Soibam | Tiny Tot's Unique School | 80 |
| 7th | Khangkhui Makang | Kokil Boarding School | 79 |
| 8th | Laishram Lipson Singh | The K.M. Blooming Hr. Sec. School | 75 |
| 9th | Saikhom Tomthin Mangang | K.M. Blooming Hr. Sec. School | 74 |
| 10th | Tensubam Usharani Devi | Heritage Convent | 72 |

**CLASS VIII**

| Position | Name | School Name | Marks |
|---|---|---|---|
| 1st | Jyotika Rajkumari | Heritage Convent | 94 |
| 2nd | Matilda Lourembam | Heritage Convent | 93 |
| 3rd | Elangbam Lindina Devi | The K.M. Blooming Hr. Sec. School | 92 |
| 4th | Laishram Rani Chanu | The K.M. Blooming Hr. Sec. School | 91 |
| 5th | Brahmacharimayum Brinda | Nirmalabas High School | 89 |
| 6th | Naorem Rohit Singh | Padma Ratna English School | 85 |
| 7th | Archish Wangkheimayum | C.G.C.C. School | 84 |
| 8th | Soubam Diamond Singh | C.G.C.C. School | 82 |
| 9th | Tuleena Takhellambam | Tiny tot's Unique School | 81 |
| 9th | Sanathoi Ningthoujam | The Base Academy Khangabok | 81 |
| 10th | Renkey Leiphrakpam | C.G.C.C. School | 79 |

**CLASS IX**

| Position | Name | School Name | Marks |
|---|---|---|---|
| 1st | Angaanba Ningthoujam | St. Joseph's Hr. Sec. School | 100 |
| 2nd | Bidyarani Thokchom | The K.M. Blooming Hr. Sec. School | 98 |
| 3rd | Haobijam Vivekanandagiri | Regular English High School | 97 |
| 4th | Aribam Tamanna Sharma | Heritage Convent | 96 |
| 4th | Thoithoiba Khundrakpam | The K.M. Blooming Hr. Sec. School | 96 |
| 4th | Irom Ritu Devi | Sacred Heart Hr. Sec. School | 96 |
| 4th | Thokchom Rohit Singh | New Public Hr. Sec. School | 96 |
| 5th | Khangembam Nitishkumar Singh | The K.M. Blooming Hr. Sec. School | 95 |
| 5th | Saikhom Naoboy Singh | New Public Hr. Sec. School | 95 |
| 6th | Polin Akoijam | Little Flower School | 94 |
| 6th | Fahim Ali | Tiny Tot's Unique School | 94 |
| 6th | Naoboy Akoijam | The K.M. Blooming Hr. Sec. School | 94 |
| 6th | Erwin Khundrakpam | K.M. Blooming Hr. Sec. School | 94 |
| 7th | Leimapokpam Ruparani Chanu | The L.M. High School | 93 |
| 7th | Yaisana Mayengbam | Little Flower School | 93 |
| 7th | Khumukcham Taibanganba | St. Joseph's Hr. Sec. School | 93 |
| 7th | Laishram Rakesh Singh | New Public Hr. Sec. School | 93 |
| 8th | Khundrakpam Sajan Meitei | K.M. Blooming Hr. Sec. School | 92 |
| 9th | Dhakeshwor Sarangthem | St. Joseph's Hr. Sec. School | 91 |
| 9th | Leimapokpam Diparani Chanu | The L.M. High School | 91 |
| 9th | Laishram Rehan Singh | Heritage Convent | 91 |
| 10th | Thokchom Newton Singh | The K.M. Blooming Hr. Sec. School | 90 |

**CLASS X**

| Position | Name | School Name | Marks |
|---|---|---|---|
| 1st | Moirangmayum Rojita Devi | Brighter Academy Khumbong | 88 |
| 2nd | Shalinee Laishram | C.T. Higher Secondary School | 86 |
| 3rd | Salam Malemnganbi Chanu | The K.M. Blooming Hr. Sec. School | 84 |
| 4th | Dayaraj Moirangthem | L.C.M. High School Moirang | 82 |
| 5th | Laishram Kangleinganba Singh | Tiny Tots' Unique School | 80 |
| 6th | Ningombam Thoihenba Meetei | Leishemba Maheikol, Kangla Chingarel | 79 |
| 7th | Delish Ngasam | North Eastern English School | 78 |
| 8th | Dinao Athokpam | North Eastern English School | 77 |
| 9th | Taniya Thokchom | K.M. Blooming Hr. Sec. School | 76 |
| 10th | Tanoshii Koijam | Heritage Convent | 74 |

**BEST SCHOOL OF THE YEAR**

Little Flower School, Imphal (Junior)
and
St. Joseph's Hr. Sec. School (Senior)

**BEST STUDENT OF THE YEAR**

CLASS I-V
Catherine Sapam
Little Flower School
100/100

CLASS VI-X
Angaanba Ningthoujam
St. Joseph's Hr. Sec. School
100/100

Prizes will be distributed on 15th of September, 2019 at EDUCITY.
All the students are informed to come in school uniform at 11.00 a.m.

HL-B/5612/20

TODAY
BUMPER HOUSIE
IN AID OF
Socio Economic Empowerment and Development Organisation
Regd. No. 180 of 1996 (M)
Ticket Rate Rs.1000/-
Time : 5:00 pm
TODAY
MINI BUMPER
Ticket Rate Rs. 250/-
PRIZES : ₹ 70,000/-
ALL LINES : ₹ 3,000/-
1st 2nd 3rd 4th 5th 6th 7th
HOUSEFULL : ACTIVA 5G
DATE : 20th AUG 2019
VENUE : SHANKER TALKIES, LAMPHEL
HL-P/3749/20

